## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.746498 |
| US Dollar | 76.374457 |
| British Pound | 95.932437 |
| Australian Dollar | 54.629414 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.593414 |
| Japanese Yen | 0.585835 |
| Malaysian Ringgit | 17.545632 |
| Singapore Dollar | 55.347011 |
| South Korean Won | 0.060684 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.366522 |
| Thai Baht | 2.228861 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5237.00 |
| Chennai | – | Rs | 5278.00 |
| Delhi | – | Rs | 5237.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5237.00 |

## GAS NEWS

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP 03/04/2022**
Valid from 23/03/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTo26/03/22**
VALID FROM18/03/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 9856398141
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**MAHALAKSMI INDANE GAS,**
**BK. UPTO 20-3-2022,**
valid from 9-3-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos.
# 9366590870,
# 9862312969,
# 8787326327, Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 04/04/2022
**BOOKING UPTO: 09/04/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto08/02/22**
Valid from 30/01/2022
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 7085786488 Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.**
**BOOKING UPTO DATE.**
VALID FROM. FOR HOME DELIVERY.
M.NOS.9089766365
& M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.30AM.TO.11.30 AM.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
**Stock:60**
Timing:6am to 7.30am
Contact no:8787632782, 6009194940

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 20/04/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connectionavailable 30-03-2022 Update Gas With Fresh photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 05-03-2022**
VALID FROM 27-02-2022
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 30-04-2022
CONTACT NO 7005695308 6009772483

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**BKING UPTO 11/1/22**
valid from 1/1/22.
**Stk 306,**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking upto 21/04/22**
Valid upto 11/03/22
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

# ইদুল ফিটরগী মাঙওইননা তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএন এস) : মথং থাগী ৩দা মহৌশাগুম্না পাঙথোক্কদৌরিবা মুসলিম ফুরুপকী অচৌবা কুম্মৈ ওইরিবা ইদুল ফিটরগী মাঙওইননা ঙসি ৬- জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোননা মহাক্কী মায়কৈদগী হয়েল লৌবুক খুলগী ইমুং ৫০০ রোমদা অচাথাও, চেঙ অমদি অথুম অহাও কয়া তেংবাঙখ্রে হায়রি।

থৌরম অসি হয়েল লৌবুক খোংজাও পুখ্রি ময়াদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা তেংবাঙলদুনা কে ঐচ রাজমোহোননা ফোঙদোকখিবদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপদা মতেং পাংবীরিবা অমদি হরাওনা লৌবীরিবা হয়েল লৌবুক্কী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

লোয়ননা শেংলবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী কুম্মৈ অসিনা লাকপদা খুল অসিবু চাওখৎপা ৱাত্ত-পাদবা খুল অমা ওইরসনু হায়নসু মহাক্কী মায়কৈদগী পাউজেল পীখি।

# গাড়ী হুরানবা ২ গাড়ী ২গা কোন্নদা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা গাড়ী হুরানবা মীওইশিংগী মথক্তা চথুরকপা অকনবা দ্রাইভকী মনুং চন্না গাড়ী মচাশিং হুরাল্লগা অহেনবা মমলদা য়োন্থোক্লবা হোৎনরম্বা মীওই ২ মখোয়না হুরানখিবা গাড়ী অনীগা কোন্ননা হকথেংননা ফারে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিনা ফারবা মীওইশিং অদুদি লিলোং হাওরৈবী মখাদগী এম দি মুজিব খান (২৫) অপোকপা মোহম্মদ খান অমসুং লিলোং ময়ায় লৈকায়দগী এম দি নৱাজ খান (২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নসির খান কৌই হায়রি।

মখোয় অনীনা নাওদাখোং চীংয়া লৈকায়দগী হুরাল্লকখিবা গাড়ী মচা অনী ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তারকপদা য়োন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিমনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

মখোয়না য়োন্থোক্ক বা হোৎনরম্বা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা অমুবা মচুগী রোয়েল ইনফিল্ড মোটোর সাইকল অমা অমসুং সুজুকি মোটোর সাইকল অমসু মখোয় অনীদগী রিকোভর তৌরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৯, ৪১১, ৫১১, ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪ (৪) ২০২২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুখ্রে হায়রি।

# লৈঙাক্লা য়োকখৎনবা হোৎনরিঙৈদা ষণ ২গা...

*লামায় ১গী মখা...* পোলো ক্লব অমসুং ষণবুনা অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা লাক্তুনা লৌশিনখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা শিরবা শাগোল ২ অমসুং ষণ অনী অদুগীদমক পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনশিং পীবিনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মশীং হন্থরক্লবা মণিপুরগী পোনি শগোলশিং য়োকখৎনবা লৈঙাক্লা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক অয়ূক নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতম খাক্তনা লম্বী য়াওনা মফম কয়াদা পোনি শগোলশিং চাক্তাবা অমসুং মচিঞ্জাক থিবগী থৌদোকশিং ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হকথেংনরক্লিবনি।

ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী কোচ টি ঐচ কাওবনা ফোঙদোকখিবদা শিরিবা শগোল অনী অসিগী মনুংদা শগোল অমদি ক্লব অসিনা তোঙান তোঙানবা পোলো টুর্নামেন্ট কয়াদা শীজিন্নরিবা শগোলনি। থৌদোক অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম চানা য়েংশিন্দবদগী থোকপনি। করিগুম্বা ৱায়র অদু মী অমনা থেংলম্বা তারবদি মহাকসু শিবা-নাবা থোক্লমগনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা মতম চানা য়েংশিনবীয়ু অমদি শিরিবা শগোল অমদি ষণশিং অসিগী মতিক চাবা কম্পেন্সেসনসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা পীবিয়ু হায়খি।

ঙসি শিখিবা পোনি শগোল অনীসি থারগা মালেমদা মণিপুরবু মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শগোলশিং শিবগী থৌদোক খরদা শগোল ২০ লোমগী মথক্তা শিখ্রে হায়রি।

# কোর্টশিংদা কেস মিলিয়ন ৪০...

*লামায় ১গী মখা...*ৱাফমসু মহাক্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পূন্নমক্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট কয়াদদি মীয়ামদা জষ্টিস ফংহনবা হায়বসি মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়দুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ৱাফম অসি কেস কয়া পেন্দিংদা লৈরকপনা মসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়খি।

মরম অদুনা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টশিংনা ফোঙদোকখিবা রাইট অসিগী মতুংইন্না জষ্টিস ফংহন্নবা হোৎনরকপদা গভর্ণমেন্টশিং অমসুং জষ্টিস দেলিভরি সিষ্টমগী মায়োক্তা লাকপগী ফীভম লৈরে। মরম অসিনা এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসতা মায় পাক্না চথুবা ঙম্নবগীদমক এগজিক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়রিনা সোল্যুসন থিগদবনি হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা জষ্টিস পীবগী থবক অসি ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়রগসু চহী অসুক শাংনা দিটেন তৌদুনা থম্লকপা অন্দর ত্রাইএল অমনা নৎত্রগা লায়রবা লিটিগেন্ট অমনা মখোয়দা চৈরাক পীরে হায়দুনা কনাগী মথক্তা ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়রিবা অসিবু চৎনহনবা ঙমগনি হায়বা ৱাহংসু হংখি।

এটোর্নি জেনরেলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী ওইনদি অসিগুম্বা মখলগী ফন্দামেন্টেল রাইট ফংহন্নবা হোৎনরকপা হায়বসিদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টশিং লোয়ননা মখোয়গী জুদিসল সিষ্টমগী মায়োক্তা লাকপা ওইগনি হায়খি। জুদিসি

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসকী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা মহাক্না ৱাফম অসি মাঙজৌননসু চীফ জষ্টিসতা ফোঙদোকখ্রবনি হায়রদুনা লৈবাক অসিগী হায় কোর্টশিংগী চীফ জষ্টিসশিংনসু অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈহন্দনবা থবক পায়খৎনবা আপীল তৌখি।

অদুম ওইনমক হৌজিক লৈবাক অসিদা পন্দুনা লৈরক্লিবা য়াম্লবা কেসশিং অসিগী মরমশিংগী মনুংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ত্রাইএল কোর্টশিংগী লেভেলদা হৌজিক ভেকেন্সি লিশীং ৫ লৈবগা লোয়ননা অয়াম্বা হায় কোর্টশিংদসু কোর্টশিং অদুগী লৈফম থোকপা ফুল কেপাসিটিগী চাংদগী চাদা ৫০ খক্তমক লৈদুনা থবক তৌরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুগা হৌজিক জেলদা থম্লিবা ইনমেটশিংগী মনুংদা চাদা ৭৬ লোমদি অন্দরত্রাইএল প্রিজিনরশিংনি হায়রদুনা ওইরক্লিবা থৌওং অসি হৌখিবা চহী ২৫ রোম অসিদা খ্বাইদগী ৱাংলবা মশীংনি হায়রদুনা অসিগুম্বা মখলগী অন্দরত্রাইএল প্রিজিনরশিং অসি লায়রবা মীওইশিং ওইবদগী বেল বোন্দ ফাওবা ফর্নিস তৌবা ঙমদদুনা জেলদা দুমক লৈরকপসু য়াওরি হায়খি।

মরম অসিনা য়াম্লবা কেসশিং পন্দুনা লৈরক্লিবা ফীভম অসি কোকহন্নবগীদমক অকনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগী মথৌ তারে। থবক অসি পাঙথোরক্লগদি লৈবাক অসিগী জষ্টিস দেলিভরি সিষ্টমগী ইকায়খুম্নবসু অমুক হঞ্জিলহল্লকপা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানসু এটোর্নি জেনরেলনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অদুবু হকচিন্না লৌখিবগা লোয়ননা হয়েং লৈবাক অসিগী হায় কোর্টশিংগী চীফ জষ্টিসশিংগা লোয়ননা পাঙথোরক্লিবা ঙরাংদগী হৌখিবা কনফরেন্সদা পেন্দিং লৈবা কেসশিংগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা পুথোক্লগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# ভিজিলেন্সনা ফাবা ৱার্দ মেম্বর ১,রাইফলমেন...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা দিসেম্বর ২৩, ২০২১দগী চথুরকখিবা ইনক্বারিগী রিপোর্ট থা অসিগী ২৬তা সবমিট তৌরকখি। রিপোর্ট অসিদা শওম্বুং জি পিগী ওইনা শাশিন্নবা জোব কার্দ ১৩ অমসুং মল্টিপল জোব কার্দ ৬৩ মশক খঙদোকপা ঙমখি হায়রি।

ইনক্বারিগী রিপোর্ট পীখৎলকপগা থা অসিগী ২৬তা পুলিস ষ্টেসন অসিনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২) অমসুং ১৩ (১) (এ) অমদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৪২০, ১২০-বিগী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি। লোয়ননা ঙসি জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অহুম অসি থা অসিগী ২৭তা পুলিস ষ্টেসন অসিগী এদিসনেল এস পি ৩ য়াওবা টিম অমনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

ইনক্বারি অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ৱার্দ মেম্বর কামৈ রজনি কবুইগী মপুরোইবা কামৈ গাইদোনচুংনা মল্টিপল জোব কার্দ ১০ শেন্নম্বা থেংনখি। অদুগা ৱার্দ মেম্বর কোইজম সুন্দরনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংগা শম্নবা এন জি এন আর ঈ জি এসকী শাশিন্নবা জোব কার্দ ৭ শেন্নম্বা থেংনখি। লোয়ননা রাইফলমেন লাইশ্রম মীতৈঙম্বা মীতৈনা মহাক্কী ৱার্দ মেম্বর ওইরিবী লোয়নবীগা লোয়ননা মল্টিপল জোব কার্দ ১৬ শেমজিন শাজিল্লম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

মখোয় অহুম্মক ফাখিবা নুমিৎতুমক্তদা স্পেসল কোর্ট অসিদা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকপদা কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক মখোয় অহুমগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম ঙসি নুংথিল পুং ২গী মতুংদা লোইখিবদগী মখোয়বু ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। লোয়ননা কোর্টনসু পুলিস ষ্টেসন অসিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা তৌরকখিবা প্রেয়র অদুদা অয়াবা পীরদুনা মখোয় অহুম্বু মথং থাগী ১৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

# এম পি এস সীবু লান্না উহন্নবা নত্তে

পাউচে অসিগী এপ্রিল ২৯, ২০২২গী মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমায়দা 'মেদিকেল ওফিসর ৩০০ লৌনবা রিক্রুটমেন্ট চথুরক্লিবা এম পি এস সীবু শেঞ্জা-থুমজানা হুমদুনা পুনবা হোৎনরব্রা' হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউ অদুদা এম পি এস সীগী ফোটোগ্রাফ অমসু য়াওখিবনা মরম ওইরদুনা মথং থাগী ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসনদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংদা লান্না উহল্লবা য়াই হায়না এম পি এস সীগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসননা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

তশেংনমক পাউচে অসিনা ফোঙখিবা পাউ অদুগী অপূনবা হেদ লাইনশিংনা তৌখিবা মপূং ফাবা রিপোর্ট অদুদি 'মেদিকেল ওফিসর ৩০০ লৌনবা রিক্রুটমেন্ট চথুরক্লিবা এম পি এস সীবু শেঞ্জা থুমজানা হুমদুনা পুনবা হোৎনরব্রা', 'হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সর্টিফিকেট পংপীদা পীরব্রা নৎত্রগনা ডাক্টর কেন্দিদেটশিংনা শেমজিন শাজিনবা য়াওরব্রা' অমসুং 'হায় কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা রিটর্ন টেষ্টকী রিজল্ট হায়দোকপা থিংজিনখ্রে' হায়বা হেদ লাইনশিং অসিগা লোয়ননা তৌখিবা রিপোর্টনি।

এম পি এস সীনা চথুরক্লিবা মেদিকেল ওফিসর ৩০০ লৌনবগী রিক্রুটমেন্টগী প্রোসেসতা কোভিদ এক্সপরিএন্স সর্টিফিকেট ৫৬১ পীখৎলকপগী মনুংদা 'এক্সপরিএন্স সর্টিফিকেট ২২দি সর্টিফিকেট নম্বর অমগা অমগা চপ মান্নরে অদুগা সর্টিফিকেট ৩না সবমিট তৌনরকখিবা সর্টিফিকেটশিং অদুদগী তোঙানবগা লোয়ননা মখোয়গী সর্টিফিকেটশিং অদুগী নম্বর য়াওদ্রে অমসুং তারিখ কয়াদা ইস্যু তৌরকপনো হায়বদুসু য়াওদ্রে' হায়বগা লোয়ননা 'মরম অদুনা এম পি এস সীগী এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরগী চেরোল অদুনা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরদা ফোঙদোরক্লিবনা কোভিদ এক্সপরিএন্স সর্টিফিকেটশিংগী মনুংদা থোরক্লিবা ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা ক্লারিফিকেসন অমা পীবিরকউ হায়বসিনি' হায়না মীয়ামদা রিপোর্ট তৌখিবনি।

এম পি এস সীনা এগজামিনেসন অসি অরানবা মওংদা পাঙথোক্লনবা হোৎনরে হায়খিবা নত্তে। রিক্রুটমেন্ট চথুরক্লিবা এম পি এস সীবু শেঞ্জা থুমজানা হুমদুনা পুনবা হোৎনরব্রা হায়বগী রিপোর্ট মীয়ামদা থমখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসন অসিগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং মদুগী ইন্টরিম ওর্দর মীয়ামদা থমখিবা খক্তনি।

অদুম ওইনমক রিপোর্ট অদুদা এম পি এস সীগী ফোটো য়াওখিবা অমসুং কম্মিসন অসিবু এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়বদুসু নত্তে লোয়ননা এম পি এস সীবু লান্না মরাল শীবসু নত্তে।

-এদিটর

# অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস...

*লামায় ১গী মখা...* ৭৬.০৩, অনীশুবা দোজ ৬৩.৬৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭০, অনীশুবা দোজ ৬৭.৩৭, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৮৫, অনীশুবা দোজ ৩০.৩৯, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.২৭, অনীশুবা দোজ ৩৪.৫৭, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.২৩ অনীশুবা দোজ ৫০.৫০, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪১.৯৪, অনীশুবা দোজ ২৪.২২, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৩৯, অনীশুবা দোজ ৩৬.৯৯, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৬৫, অনীশুবা দোজ ১৬.৮৯, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৩৪, অনীশুবা দোজ ২৮.৮৪, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৫৯, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৫.৮৭, অনীশুবা দোজ ৩৬.৭০, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৪, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬০, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.২৭, অনীশুবা দোজ ৬৭.৩২নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৬৭নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫১.৩০নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

# আই এম অমসুং এন এন পি জি...

*লামায় ১গী মখা...*এন এন পি জিশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা চৎমিন্নগদবনি হায়খি। এন এস সী এন - আই এমগা নাগালেন্দগী এন এন পি জিশিংগগী মরক্তা লৈবা খেন্নবশিং কাউথোক্লদুনা পিছ টোক অসিদা অমত্তা ওইনা শরুক য়াশিনবগী থবক চথুরক্তগদি তোঙান তোঙাননা শন্থাইনবা পুরকপগী ফীভম লৈত্রে হায়খি। মরম অসিনা হৌজিক নাগালেন্দগী মায়কৈদগী পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা ইহান হানবদি কম্মন ফ্রন্ট অমা শেম্বনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা এন এস সী এন-আই এমগগী মরক্তা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্টতা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবসু এন এন পি জিশিংগসু কুমজা ২০১৭কী নবেম্বরদা অতোপ্পা এগ্রিমেন্ট অমসু খূৎয়েক পীনখিবনি।

# এন এস এদা দিটেন তৌরকখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* অদুম ওইনমক ফেব্রুৱারী ১১, ২০২১দা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টনা মহাক্কী মথক্তা লৈবা কেসশিংদগী মহাকপু দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক মশাদা লৈবাক অসিদা লৈবা য়াবগী ভেলিদ ওইবা চে চাংশিং য়াওদবনা মহাকপু ইমিগ্রেসন ওফিসতা নৎত্রগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা শিন্নখিনবা দিরেক্সন পীখিবনি। অদুবু ইমিগ্রেসন ওফিসতা মহাকপু শিন্নবীদবদগী মহাক্না ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৭৫ ওফ ২০২১ সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা ফাইল তৌখি। অদুবু কোর্টনা কেস অদুগী মতাংদা মথৌ তাবা ওর্দরশিং পীবিনবগীদমক হায় কোর্টতা লানখৎখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক মশামক ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমনি হায়বগা লোয়ননা এন্টি রেত্রোভাইরেল থেরাপি (এ আর টি) ত্রিটমেন্ট চথুরিবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু বেল পীবিনবা হায় কোর্টতা হায়জরকখিবনি। কোর্টনা মহাক্কী পিটিসন অদু খন্নরবা মতুংদা মহাকপু জেলদগী থাদোক্লবা খঙহনখি। অদুমকপু জন্যুৱারী ২১, ২০২১গী অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা জেলদগী থাদোরকপগা হৈঙাং পুলিসনা ফোরেন্নর এক্টকী মখাদা মহাকপু অমুক হন্না ফাজিনখিবগা লোয়ননা এন এস এদা দিটেন তৌদুনা থম্লকখিবনি হায়রি।

মসিদসু মহাক্কী মায়কৈদগী দিটেন্সন অসিবু চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা বেল পীখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক নিংথৌকাবা খুদিংগী অয়ূক পুং ১০দা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), থৌবালগী কোর্টতা মখা তাবা ওর্দরশিং থোক্ত্রিবা ফাওবা মশা লাক্লবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা মাঙজৌননা মহাক্কী পাসপোর্ট সিজ তৌখিবা লৈত্রগদি কোর্টতা সরেন্দর তৌনবসু খঙহনখি। লোয়ননা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), ইম্ফালগী অয়াবা য়াওদনা মহাক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়বগী ৱাফমসু কোর্টনা খঙহনখি।

# 'হায়র সেকেন্দরি স্কুল ২দা ওজা...

*লামায় ১গী মখা...* স্কুল অমদি খোঙহাম্পাৎ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা চৎতুনা য়েংশিনখি হায়রি।

মহৈরোয় লূপ তরুকনা য়েংশিনবা চৎলুবা মতমদা হায়রিবা স্কুল অনীসিগী ফীভম য়াম্না শোক্লমখি। স্কুলশিং অসিদা ওজা মশীং য়াম্না ৱাৎনা লৈরম্বা, হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমা ওইবগী লৈফম থোকপশিং ৱাৎনা লৈরম্বা, সাইন্স সবজেক্টকী লেবোরেটরিদা লৈগদবা ইক্বিপমেন্টশিং অমত্তা লৈরমদবা, স্কুলনা শেল পুথোক্লগা মন্থলি ইনকম ওইবা ওজাশিংগী পীবা অমদি ওজাশিংনা স্কুল অদু য়াম্না ৱানা হোৎনহৌবা থেংনরকখি হায়রি।

হায়রিবা স্কুলশিংসিদা ওজা নেক্লগা/ৱায়রগা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীরম্বসু লূপ তরুককী মহৈরোয়শিংনা থেংনরকখি হায়রি। লোয়ননা ইরমদম অসিদা চৎনরিবা মোদর্ন এদ্যুকেসন সিষ্টমগা লোয়ননা লৈরিবা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং অসিসু লৈরিবা লৈবাক লৈহাওগা চুনদ্রে। হেন্না মপূং ফাবা চান্নগদবা মওংদা লৈবাক্কী লৈঙাকলোই ওইরিবশিংনা শেম্বীগদবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মহৈলোয়শঙশিংগী ৱাৎলিবা ওজা, লৈফম থোকপা সাইন্স সবজেক্টশিংগী লেবোরেটরিগী মচাকশিং অমদি অতৈ অতোপ্পা শোৎখদুনা লৈরিবশিং অসি খুন্নাইগী অমদি অফবা মহৈরোয় পুথোকপীনবা য়েংলগা ৱাৎহনবীদবনা হোৎনবীয়ু অমসুং পুথোকপীনবা হোৎনবীয়ু হায়রি। মসি নৎত্রগদি মহৈরোয় লূপ তরুকনা লৈঙাক্কী তুংগী জেনরেসনবু মূখৎনবা অমদি মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না লৌগনি হায়রি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™

N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape

Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute

Special Class for X, XI, XII Appeared Students

IT & SKILL COURSES 5th May 2022
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English

AVIATION COURSES 2nd Batch – 10th Jun, 22
Cabin Crew
Ground STAFF

www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College

HL-B/7620-24April to 22 May(all)

ENROLL TODAY Most Trusted Institute Since 2001... ENROLL TODAY

GLOBAL DOT
Govt.Regd. No.2102 Of 2012
SPOKEN ENGLISH
COM COMPUTER
NIELIT

FEATURES:
GRAMMAR
SPEAKING PRACTICE
SMART CLASS
VOCABULARY
PRONUNCIATION
PERSONALITY DEVELOPMENT
INTERVIEW SKILLS
CAREER COUNSELLING ETC...

SPOKEN HINDI
20% DISCOUNT FOR ALL STUDENTS

COURSES:
BASIC,BCC, ACC,CCC, CCC+
CCA, CCP, DTP,ECC,DCA
PGDCA, TALLY WITH GST
INTERNET, HTML
MULTIMEDIA, OFFICE AUTOMATION

New classes commence on 05th May (Thursday) 2022
CLASS TIMING – 6:00 AM TO 6:00PM

VENUE : OLD LAMBULANE, OPPOSITE G.P. WOMEN'S COLLEGE.
Instructors :- Sir Bitam, Sir Rojen, Sir Suresh (Gandhi) 7005214205/9089645181/6009048058

HL-P/2391/30 April to 21 May